**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-08-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৪-০৮-২০২৪, নোংমাইজিং)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) অকাম্পাৎকী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী দরকার লৈবা খুদিংমক ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থাজবা পীখ্রে।

২) অকম্পাৎকী থৌদোক্তা পাউমীদা খুৎ থাখিবা এস.আই-এস.ঐচ. নিখিল সিংহ্ থবক্তগী সসপেন্দ তৌখ্রে।

**অমসুং**

৩) অকাশবানি ম্যুজিক কন্সরট ২০২৪, ঙরাংদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখ্রে। তোঙান তোঙানবা সহরশিংদা লৈবা অকাশবানিগী ষ্টেসনশিংদসু থৌরম অসি পাঙথোক্লি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**অকামপাৎ(এল)ঃ** অকাম্পাৎকী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা মুখ্য মন্দি-নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং উন্নখিবা অদুদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা পুখৎলকপা ৱাফম কয়া মুখ্য মন্ত্রিনা তাখি। তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা মখোয়দা হান্নদগী পীরিবা মতেংশিংগী মথক্তা দরকার লৈবা খুদিংমক ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীখি। রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগীদমক মতম মতমগী ওইনা পাউ ফাওননবা হোট লাইনগী খুদোংচাবা থমনবসু মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নবা অদুদা য়ান্নখি।

**সসপেন্দ (এল)ঃ** অকম্পাৎকী থৌদোক্তা পাউমীদা খুৎ থাখিবা এস.আই-এস.ঐচ. নিখিল সিংহ থবক্তগী সসপেন্দ তৌখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী এস.পি. কে. মেঘাচন্দ্রনা ঙরাং থোকখিবা হুকুম অমদা হায়-পুলিস দিপার্টমেন্টগুম্বা দিসিপ্লিন ফোর্স অমগী মেম্বর অমদগী আশা তৌরমদবা মওংদা এস.আই. নিখিলনা অরানবা থোওংশিং চংথখিবা অদুগীদমক রুল নম্বর সিক্সতিসিক্স ওফ অসাম পুলিস মেন্যুয়েল পার্ট থ্রিগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোদা এস.আই. ওইরিবা এস.ঐচ. নিখিল সিংহবু মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা খুদক্তগী সসপেন্দ তৌরে। মহাকপু সসপেন্দ তৌরিঙৈ মনুংদা হেদ ক্বাটর থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়রি।

**থৌবাল (এল)ঃ** আউটরগী এম.পি. অলফ্রেদ কনঙম আথরনা সংসদকী মীফমদা মুখ্য মন্ত্রিবু শিন্দোকবা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু বি.জে.পি. খাঙবোক মন্দলনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

খাঙবোক্তা ঙরাং পাঙথোকপা পাডগী মীফম অমদা মন্দল অসিগী প্রসিদেন্ট-এন. রামানন্দনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

**সিআরপিএফ (এল) ঃ** সি.আর.পি.এফকী ৮৬ শুবা বটালিয়ন অমসুং কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া লমফেলপাৎনা পুন্না শিনদুনা ইন্দিয়ান ওর্গান দোনেসন ডেগী থৌরম ঙরাং লমফেলপাৎতা পাঙথোকখ্রে।

সি.আর.পি.এফকী ৮৬ শুবা বটালিয়নগী কম্মান্দেন্ট-সৌরফ কুমার চৌধরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থৌরম অদুদা বটালিয়ন অসিগী পার্সোনেলশিং অমদি কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া লমফেলপাৎকী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা বটালিয়ন অসিগী দিপ্যুতি কম্মান্দেন্ট-কিয়াম রাজিব সিংহনা, ওর্গান দোনেসন তৌবগী মরুওইবা অমসুং মসিবু পুকিং থৌগৎপগী তঙাইফদবশিং ফোংদোকখি। পালন থৌরম অসিগী হীরম-'দোন লিফ ইয়োর লব ৱান্স ইন দাউট' হায়বসিনা মীয়ামদা মখোয়গী নুংশিরবা মীওইশিংগীদমক ওর্গান দোনেসন তঙাইফদনা তৌফম থোকই হায়বা ৱাখল্লোন অসি ফাওহনবা ঙম্লগনি।

অমরোমদা, সি.আর.পি.এফকী ১৪৩ শুবা বটালিয়ননা রিমসকী এনাতোমি দিপার্টমেন্টকা খুৎশমদুনা ওর্গান দোনেসনগী মতাংদা এৱারনেস কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

**তুরেল (এল)ঃ** হৈরোক ৱাংজিং রিভর রি-জ্বিনেসন কেম্পেইনগী ১৭ শুবা ওইনা হৈরোক পার্ট টু লিতান থোঙখোংদা তুরেল শেংদোকপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ইকো নেটৱার্ক হৈরোকনা সিটি ক্লব-হৈরোক্কা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা তুরেল শেংদোকপগী থৌরম অদুদা তুরেল খোঙবানদা তারিবা মীয়ামদা তুরেলবু লু-নান্না থমবা ৱাখল তাহনবগী থৌরম পাঙথোকখি।

**অকাশবানিঃ** অকাশবানি ম্যুজিক কন্সরট ২০২৪, ঙরাংদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখ্রে।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা কন্সরট অসি অকাশবানিগী রঙ ভবন ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপনি।

ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা শকাইরবা আর্টিষ্ট-পন্দিৎ রাজেন্দ্র প্রসান্তনানা মহাক্কী বাসিগী হৈথোই শিংথোইবশিং উৎতুনা মীয়ামগী পুকিং চিংশিনখি। পন্দিৎ জয়াত্রিথ মেভুনদিনসু মহাক্কী বেরিটোন (সেকসাফোন) গী হৈ-শিংবশিং উৎখি। পন্দিৎ বিশ্ব মোহান ভাট, পন্দিৎ সালিল ভাট, পন্দিৎ সাজন মিশ্রা অমসুং সভারন মিশ্রানচিংবনা ঙসি নুংথিল পুং ৫ মখায়দগী হৌদুনা মখোয়গী হৈ শিংবা কয়া কন্সরট অসিদা উৎকনি।

অকাশবানি ম্যুজিক কন্সরট অসি হায়দ্রবাদ, পাটনা, জম্মু, শিল্লোং, কটক, বেঙ্গলুরু, ভোপাল, চেন্নাই অমসুং রাঞ্চি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকখি।

**রাজ্যপালঃ** ন্যু দিল্লিগী অশোক মান্দপতা নুমিৎ নিনি চুপা চথুরকপা রাজ্যপালশিংগী মীফম ঙরাং লোয়শিনখ্রে। মীফম মনিপুরগী রাজ্যপাল-লক্সমন অচ্যারিয়া শরুক য়াখ্রে।

মীফম অদুদা ক্রিমিনেল লো অহুম নীংথিনা চৎনহনবা, হয়ার এদুকেসন অমসুং য়ুনিভরসিতিশিংবু হেন্না ফগৎহন্নবা হন্না য়েংশিনবা অমসুং অতৈ চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা রাজ্যপালশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং খন্ন-নৈনখি।

**হিমাচলঃ** হিমাচল প্রদেসকী ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং, মরুওইনা শিমলা অমসুং মানদি জিলাদা লান্মীনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

শিমালাগী সমেজ ভিলেজতা লান্মীগী কলম অহুম, ইঞ্জিনিয়ার টাক্স ফোর্স অমসুং মেদিকেল টিমশিং শিজিন্নরি। কাংবু অসিনা মফম অদুগী লম্বী থোংশিং

নৌনা শেমজিনবা অমসুং অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীরি। মানদিগী ভারত ভিলেজতা নোং কন্না চুবদগী মীওই তরা চেন্থখিদুনা থিবা খঙদনা লৈরিবা অদু এস.দি.আর.এফনা ফংননবা থিবগী থবক চথরি। থৌদোক থোকফমদা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি-সুগবিন্দর সিংহ সুখু লাক্কুনা য়েংশিনখ্রে। অৱাবা নংলবা মীয়ামদা সরকারগী মায়কৈদগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্কুনা ফংহল্লি।

**ওলিমপিক্স**ঃ পেরিস ওলিম্পিক্সতা চাইনা সনাগী তকমান ১৬, লুপাগী ১২ অমসুং শেঞ্জেংগী ৯ পুন্না তকমান ৩৭ ফংদুনা অহানবদা লৈরি।

আমেরিকানা সনাগী ১৪, লুপাগী ২৪ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৩ পুন্না তকমান ৬১ ফংদুনা অনিশুবদা লৈরি। ফ্রান্সনা সনাগী ১২, লুপাগী ১৪ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৫ পুন্না তকমান ৪১ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। ভারতনা হৌজিক ফাওবদা শেঞ্জেংগী তকমান ৩ ফংদুনা ৫৪ শুবদা লৈরি।

গেমস অসিগী ৮ নি চনবা নুমিৎতা ঙরাং সুট্টিংদা নুপীগী মিটর ২৫ গী ইভেন্টতা ভারতকী মনুভাকর মরিশুবা তাহৌরে। অদুমওইনমক, মনুভাকরনা হৃদক্কী ওলিম্পিক্স গেমস অসিদা শেঞ্জেংগী তকমান অনি লৌদুনা ইতিহাস অমদি শেমলে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা জিরিবামদা য়ুম মৈ থাখ্রবা মতুং বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ওইল পম্প অয়াম্বা থাউ লৈতবদগী থোং লোন্নখ্রে, ট্রান্সপোর্টরগী খোঙজংসু হন্দোক্তি হায়বা পাউ পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা

ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমদি সনা লৈবাক্তসু অহানবা লামাইদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-লালদু হোমানা অমৃত সাহদা হায়-মনিপুরগী ৱাথোক লোয়শিন্নবা থবক লৌখৎপিয়ু হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পাউমী ফুরুবা কম্মান্দোগী সব ইন্সপেক্তর সসপেন্দ তৌখ্রে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কুকিশিংনা মনিপুরদগী এ.আর. লৌথোক্তনবা হোৎনরিঙৈ কুকি এম.এল.এ. তরানসু অসাম রাইফলস লৌথোক্তনবা মোদিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউ-চে অয়াম্বদা অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি। ফার্ম হাউস অমদগী অঙাং অনি মফম খঙদনা মাঙখ্রে, পুলিসনা থিবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-মোরেদগী লাঞ্জেন্নরক্লবশিংদা সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং শুনা ফংহন্দবদগী চীফ মিনিস্তর মৈ হৌনা শাওখ্রে। দি.সি. য়াওনা মরি লৈনবা ওফিসিএলশিং ঙসি মীফম কৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-তকশিনবা ৱাৎপনা মনিপুরি লোল ক্লাসিক লেঙ্গৈইজ চনবা থিন্থদৌরে। মনিপুরি লোল ক্লাসিক লেঙ্গৈইজ চননবগী মচাক ৱাৎতে হায়বা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিংলিঙৈদা হকচাংগী কয়াৎ কৎথোকপগী চাং মালেমগী ওইনা নুপীনা মশিং য়াম্লি। হকচাংগী কয়াৎ কৎথোকপদগী হেন্না চাউবা খুদোল লৈতে হায়বা

রিমস হোস্পিতালগী দিরেক্তরগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা মনিপুরগী ইরাং লোয়শিন্নবা সরকারদা য়াওরিবা এম.এল.এ. অমবু মিদিএটর ওইহন্নবা তকশিল্লক্লি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-মনিপুরগী চাকহাউ মালেমদা পামবা হেনগৎলক্লি হায়বা প্রধান মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা মনিপুরগী চাকহাউ ইন্দিয়াগী সুপর ফুথ ওইরক্লে হায়না হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিনা চমফু খাঙপোক্কী খুঞ্জাশিংদা চান-থাকবা পোৎলমশিং মতেং পাংখিবগী পাউ এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-কেন্দ্র সরকারনা অসাম রাইফলসকী বটালিয়ন অনি জম্মু কাশ্মিরদা থাজিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরনা ভেষ্ট ইমারজিং ওর্গান ত্রান্সপ্লান্ট ষ্টেটকী মনা পীরক্লে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।